# ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ওজা লৌবগী ৱাথোক: অবিসেক বেনর্জিগী মায়োক্তা চখৎরকপা প্রোব সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টে তৌখিদ্রে



**ন্যু দিল্লি, জুলাই ১০ (এজেন্সী):**

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী স্কুলশিংগী ওজা লৌবগী ৱাথোক্তা মরী লৈননা সি বি আই অমসুং ই দিনা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী লিদর অবিসেক বেনর্জিবু ৱাহং পাউহং তৌহল্লিবা কলকত্তা হায় কোর্টকী ওর্দরদা খুৎ থিংজিনবগী ৱাফম সুপ্রিম কোর্টনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়াখিদ্রে।

সি জে আই দি ৱাই চন্দ্রচুদ অমসুং জষ্টিস নরাসিমহাগী বেঞ্চ অমনা হায়খি, মদুদি সেন্ট্রেল প্রোব এজেন্সি অসি থিজিন হুমজিনবগী ইন্দিপেন্দেন্ট রাইট লৈ অমসুং কোর্টনা কেস অদুগী ইনভেষ্টিগেসন লেপহনবা ঙম্লোই। বেঞ্চ অসিনা মসিগী ওর্দরদা হায়খি, মদুদি ইনভেষ্টিগেসন অদুবু লেপহনগদবা ওইবনা ঐখোয়না হায় কোর্টকী ওর্দর অদুদা খুৎ থিংজিল্লরোই। পিটিস্নর লোগী মতুং ইন্না অৱৈবা রেমেদিশিংগী খুদোংচাবা লৌবা য়াগনি।

টোপ কোর্ট অসিনা মখা তানা ওর্দর অদুদা হায়খি, মদুদি লুপা ক্রোর কয়াগী ওজা লৌবগী স্কেম অদুগা মরী লৈননা ইনভেষ্টিগেসন চখৎবা থিংনবা হায় কোর্টনা দিরেক্সন পীখিদবদু অচুম্বা ৱারেপনি।

পনবা য়াবদি, চহী অসিগী মে ১৮ দা কলকত্তা হায় কোর্টকী জষ্টিস অম্রিতা সিনহাগী সিঙ্গল-জজ বেঞ্চনা সেন্ট্রেল এজেন্সি অসিবু প্রোব চখৎবা য়াহনখিবা জষ্টিস অবিজিৎ গঙ্গোপদ্যাইগী ওর্দর অদু শৌগৎখি অমসুং রিকোল এপ্লিকেসন ফাইলিং তৌদুনা কোর্টকী মতম মাঙহনবগীদমক্তা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগী ইমুং মনুং ওইরিবা অবিসেক বেনর্জিদা কোষ্ট লুপা লাক্ষ ২৫ সু ইম্পোজ তৌখি।

মদুগী মতুংদা বেনর্জিনা সুপ্রিম কোর্টতা হায় কোর্টকী সিঙ্গল-জজ বেঞ্চকী ওর্দর অদুবু চেলেঞ্জ তৌখি। ইন্টরিম দিরেক্সন অমদা এপেক্স কোর্টনা মে ২৬ তা সীনিয়র ত্রিনামুল লিদর অসিদা কোষ্ট ইম্পোজ তৌরিবা ওর্দরগী শরুক অদু ষ্টে তৌখি।

স্কুল রিক্রুটমেন্ট কেস অসিদা সেন্ট্রেল এজেন্সি অসিনা অবিসেক বেনর্জিগী মায়োক্তা চখৎরিবা প্রোব অদু অহানবদা হায় কোর্ট অসিগী জষ্টিস গঙ্গোপদ্যাইগী সিঙ্গল-জজ বেঞ্চনা ওর্দর তৌখিবনি। মতুং তাবদা মেটর অদু সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অমগী মতুং ইন্না জষ্টিস সিনহাগী সিঙ্গল-জজ বেঞ্চতা শিন্নখি।

বেনর্জিগা মরী লৈনবা কেস অমা হিয়ারিং তৌরিবা জষ্টিস গঙ্গোপদ্যাইনা ত্রিনামুল লিদর অসিগা মরী লৈনবা ন্যুজ চেন্নেল অমবু ইন্টরভিয়ু লৌহনখিবগী থৌওংবু টোপ কোর্ট অসিনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা, হৌখিবা চহীদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বিরভুম দিষ্ট্রিক্টতা দিটোনেটর ৮১,০০০ রিকোভর তৌখিবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) না দিষ্ট্রিক্ট অসিদগী ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী মনোজ ঘোস কৌবা লোকেল লিদর অমা ফারে হায়রি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ঘোসপু এন আই এনা বিরভুম দিষ্ট্রিক্টকী নলহাটি পুলিস ষ্টেসনদা কৌখি। পুং কয়া চুপ্পা ৱাহং পাউহং তৌরবা মতুংদা মহাকপু নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিলদা সেন্ট্রেল এজেন্সি অসিনা ফাখি। ঘোস অসি থাংজ নুমিত্তা পাঙথোকখিবা পঞ্চায়ট মীখলদা ত্রিনামুলগী কেন্দিদেট অমসু ওইখিবনি।

চহী অসিগী এপ্রিলদা এজেন্সি অসিনা স্পিসল এন আই এ কোর্টতা মেটর অসিগা মরী লৈনবা চার্জ সিট অমা সবমিট তৌখি।

# য়ুপিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী পুং ২৪ গী মনুংদা মীওই ৩০ হেন্না শিখ্রে

**লক্ষ্নৌ, জুলাই ১০ (এজেন্সী):**

উত্তর প্রদেশতা নোং লেপ্তুনা চুবদগী হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা মীওই ৩০ গী মথক্তা শিখ্রে। মীওই কয়াগী পুন্সি লোমখিবদা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং খুদিংমক্তা লুপা লাক্ষ ২৪ গী মতেং খুদক্তা পীবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মহৌশাগী খুদোংথীবা থৌদোকশিংদা অশোক অপন নঙলবশিংবু লায়েং নীংথিনা চখনবা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা ইন্সট্রক্সন পীখ্রে।



কুমসিগী কুমগী নোংগী সিজন মনুংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা উত্তর প্রদেশতা নোং চুবগী চাং চাদা ১১ হেনবদগী ষ্টেট অসিদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলক্তুনা সিটি কয়াগী চথোক চৎশিনদা শোকহল্লে অমসুং খুঙ্গংগী লমশিংদা লৈরিবা ফার্ম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে।

রিলিফ কম্মিস্নারগী ওফিসতগী ফঙবা পাউগী মতুং ইন্না হৌখিবা পুং ২৪ গী মতমদা নোংথাংনা য়ৈবদগী মীওই ১৭ শিখি, মীওই ১২ না ঈশিংদা ঈরাক্লদুনা শিখি অমসুং মীওই তরেৎনা নোং কন্না চুমনবদগী শিখি।

ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি) গী দেটা মতুং ইন্না ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৭৫ গী মনুংদা ৬৮ রোমদা নোং কন্না চুখি। হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুং খক্তদা ষ্টেট অসিদা নোর্মেলগী চাংদগী নোং চাদা ৫৬ হেন্না হায়বদি নোর্মেলগী চাং এম এম ৮.৭ দগী এম এম ১৩.৬ হেন্না নোং চুখি হায়বসি ৱেদর দেটানা উৎখি।

মুজাফরনগরদা পুং ২৪ গী মতমদা নোং এম এম ৬৭.৪ চুদুনা ষ্টেট অসিগী নোংমদা নোং খ্বাইদগী হেন্না নোং চুবা দিষ্ট্রিক্ট ওইখি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মীরটতা নোং এম এম ৫৬ চুখি, নাজিববাটতা নোং এম এম ৪২, জান্সিদা এম এম ৩৯ অমসুং অলিগরদা এম এম ২৫ চুখি।

রিলিফ কম্মিস্নারগী ওফিসনা পীবা অকুপ্পশিংগী মতুং ইন্না নোংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা থোকখিবা মীশি মীনাশিংগী মনুং চন্না ইটাৱা, উন্নাও, আগ্রা অমসুং বালিয়াদা মীওই অমমম শিখি; জলাওন্ট, কানপুর দেহাট, কনোস অমসুং গাজিপুরদা মীওই অনী অনী শিখি অমসুং নোংথাংনা মরম ওইদুনা মাইনপুরিদা মীওই মরি শিখি। মান্নবা মওংদা সানকবির নগরদা মীওই অমা শিখিবগা লোয়ননা বদাওনদা মীওই অনী অমদি বরেল্লিদা মীওই মরিসু শিখি, রাইবরেল্লিদা ঈরাক্লবদগী মীওই ৫ শিখি।

# সি আই টি য়ুগী ৱার্করশিংনা এটেক তৌখিবা বস মপু প্রোটেক্সন পীখিদবগী পুলিসপু চৈখ্রে

**কোচি, জুলাই ১০ (এজেন্সী):**

খুৎশুমল হেনগৎনবা তকশিন্দুনা সেন্টর ওফ ইন্দিয়ন ট্রেদ য়ুনিয়ন (সি আই টি য়ু) না প্রোটেষ্ট চখরিঙৈ মরক্তা বস মপু অমগী ফেবরদা পাস তৌখিবা মহাকপু প্রোটেক্সন পীনবগী ওর্দর অমা নীংথিনা ইমপ্লিমেন্ট তৌদবগীদমক্তা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কেরলা হায় কোর্টনা কোটায়ুমগী মকোক থোংবা পুলিস ওফিসলশিংবু চৈ থাংখ্রে।

কোর্টনা ট্রেদ য়ুনিয়ন ৱার্করশিংনা বস মপু অমদা চখৎখিবা এটেক পল্লদুনা মীওই অদুবু প্রোটেক্সন পীননবা ওর্দর অমা পাস তৌখিবনি। ট্রেদ য়ুনিয়ন ৱার্করশিংনা প্রোটেষ্ট অদু বস দ্রাইভর অদুনা হান্না য়ানখিবগী মতুং ইন্না মখোয়গী খুৎশুমলশিং রিভাইস তৌদবদগী চখৎবা হৌখিবনি।

ইকোন কোন্না খুৎশুমল হেনগৎখিবদু চহী মঙাগী মমাঙদনি হায়না ট্রেদ য়ুনিয়ন ৱার্করশিংনা ক্লেম তৌখি। সি আই টি য়ুনা বস মপু মোহনগী গাড়ীশিংগী মমাঙদা প্রোটেষ্ট ফ্লেগশিং যুংদুনা থমখি। মদুগী মতুংদা মহাক্না মখা তানা গাড়ীশিং অদু ওপরেট তৌবা য়ানবা কোর্টতগী প্রোটেক্সন ওর্দর অমা মায় পাক্না লৌবা ঙমখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না সর্ভিস মখা চখৎবা হৌনবা হোৎনবা মতমদা কোর্টনা পীখিবা প্রোটেক্সন ওর্দর অদু লৈনা লৈনা সি আই টি য়ুগী পর্সনেলশিংনা মঙোন্দা এটেক তৌখি।

মতমদুদা পুলিস কাঙবুশিংনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈখি। থৌদোক অদু মীদিয়াদা পাক শন্না ফোঙনখিবগা লোয়ননা কোর্টনা মেটর অদুগা মরী লৈননা সু মোটু কন্টেম্প অমা লৌখৎখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা কোর্টনা মসিগী ওবজার্বেসনদা হায়খি, মদুদি হায় কোর্টনা পীবা প্রোটেক্সন ওর্দর লৈনা লৈনা মতিক ময়াই লৈরবা মীওইশিংনা অতৈ মীওইশিংবু ফু চৈবনচিংবা তৌবা ঙম্মী হায়বগী মেসেজ অমা থৌদোক অসিনা মীয়ামদা পীরি।

# সিটিশিংগা তাইনবা খুঙ্গংগী লমশিং চাওখৎহন্নবগী পোলিসি এপ্রুভ তৌখ্রে

**কটক, জুলাই ১০ (এজেন্সী):**

সিটিশিংগা তাইননা লৈবা খোঙজেল থুনা চাওখৎলক্লিবা খুঙ্গংগী লমশিংদা খুন্দারিবা সিটিজন পুন্নমক্তা তঙাই ফদবা অর্বান ইনফ্রাষ্ট্রকচর, খুদোংচাবা কয়া অমসুং সর্ভিসশিং ফঙহন্দুনা খুঙ্গং অমদি সিটিগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবশিং লৌথোক্লবগী পান্দমগা লোয়ননা ওরিষাগী চীফ মিনিষ্টর নবিন পটনায়ক্না ওরিষা রুরেল-অর্বান ট্রাঞ্জিসন পোলিসি এপ্রুভ তৌখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা নোংমাইজিং নুমিত্তা ওফিসল অমনা হায়রিবদি মসি হান্না থৌরাং তৌদবা অমসুং রেগ্যুলেসন য়াওদবা অর্বানাইজেসনগী শীংনবশিং য়েংশিন্নবা পরিং নাইনা চাওখৎপগী অমসুং প্রেক্তিকেল ওইবা থৌরাংশিং লৌখৎপগী পান্দম লৈবা অসিগুম্বা মখলগী অহানবা পোলিসিনি।

হৌজিক ওরিষাগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ১৯ অর্বান এরিয়াশিংদা লৈ অমসুং কুমজা ২০৩১ ফাওবগী মনুংদা অর্বান এরিয়াশিংদা লৈবা ষ্টেট অসিগী মীওইশিং অপুনবা মীশিংগী চাদা ২১ য়ৌবা য়াই হায়না পারি।

সেন্সস টাউনশিং নত্ত্রগা পেরি-অর্বান এরিয়াশিংগী গ্রোঠ অসি ষ্টেট অসিগী অপুনবা অর্বানাইজেসনগী চাদা ৪০ রোম্নি। অদুম ওইনমক পেরি-অর্বান অমসুং রুরেল এরিয়াশিং অসি সোসল ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অমসুং সিভিক এমিনিটিশিং অমদি সর্ভিসশিং মতিক চানা লৈহনবা ঙমদবগী শীংনবশিং মায়োক্লদুনা লৈরি। অসিগুম্বা এরিয়াশিং অর্বান এরিয়াশিংনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা ফাওবা ফিভম অসিদা লৈরিবনি হায়রি।

এক্সপার্টশিং অমসুং প্রেক্টিস্নর-শিংগা কুপ্পা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি মরু ওইনা মপুং ফাবা পোলিসি অমা লৈতবা অমসুং হান্না থৌরাং তৌদনা অর্বানাইজেসনগী থৌওংশিং লাকশিন্নবগী অফবা ইন্সটিট্যুসনশিং লৈতবদগীনি হায়বসি খঙবা ঙমখি।

# তামিল নাদুদা পি এম কেগী লোকেল লিদর অমা হাৎখ্রে

**চেন্নাই, জুলাই ১০ (এজেন্সী):**



হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা তামিল নাদুগী চেঙ্গাল পাতুর এরিয়াদা পটালি মকল কাটচি (পি এম কে) গী লোকেল লিদর অমা হাৎখিবদগী মফম অদুদা উংখৎনবা ফিভম লৈরে হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওই অদু নগরাজ (৪৭) কৌই অমসুং মহাক চেঙ্গাল পাতুরগী পি এম কেগী টাউন সেক্রেটরি ওইখি। মহাক লোকেল ফ্লাৱর মার্চেন্ট অমসু ওইখি।

পুলিসকী মতুং ইন্না হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা মীওই মাপনগী খুৎপু অমা টু হ্বিলরশিং তোংদুনা লাকখি অমসুং মখোয়না পি এম কেগী লিদর অদুবু থাং শীজিন্নদুনা হাৎখি।

থৌদোক অদু নগরাজনা মহাক্কী দুকান থোঙ লোল্লম্লগা ময়ুমদা হল্লকপগী লম্বীদা থোকখিবনি। মহাক্কী মরী মতাশিং পি এম কেগী ফঙ্কসনরিশিংনা গ্রান্দ সাউর্দন ট্রঙ্ক রোদতা প্রোটেষ্ট চখৎখি অমসুং মখোয়না হকচাং অদু লৌ হায়বা য়াখিদে। প্রোটেষ্টরশিংনা পুলিসতগী জষ্টিস দিমান্দ তৌরদুনা স্লোগান কয়াসু লাউখি। স্পিসল পুলিস টিম্না চেন্নবা মীওইশিং থীবগী থবক চৎখিবগা লোয়ননা এটেক্কর অমা নিংথৌকাবগী অঙনবদা পরানুর টাউন প্লাজা মনাক্তগী ফাখি।

পুলিস ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না পুলিসনা এটেক্কর অদুবু কোইশিনখিবা মতমদা মহাক্না মখোয়দা এটেক তৌনবা হোৎনরকখি অমসুং মদুদা মখোয়না মহাক্কী মখোঙদা নোংমৈ কাপখি অমসুং মহাকপু ফাখি।

# দিল্লিগী এক্স মিনিষ্টর সত্যেন্দ্র জেনগী ইন্টরিম বেলগী মতম শাংদোকহনখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জুলাই ১০ (এজেন্সী):**

ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তরেট (ই দি) না মনি লোন্দরিং কেস অমা লৌখত্তুনা লৈরিবা আম আদমি পার্টিগী লিদর অমসুং দিল্লিগী হান্নগী মিনিষ্টর সত্যেন্দ্র জেনদা পীখিবা ইন্টরিম বেলগী মতম নিংথৌকাবা নুমিত্তা সুপ্রিম কোর্টনা অমুক শাংদোকহনখ্রে।

জষ্টিসশিং এএস ভোপানা অমসুং এম এম সুন্দরেসকী বেঞ্চ অমনা জেনগী মহুৎ শীল্লিবা সীনিয়র এদভোকেট অবিসেক মানু সিংহবিদা মেদিকেল রিপোর্টশিং পুথোক্লবা দিরেক্সন পীবগা লোয়ননা ইন্টরিম বেলগী মতম জুলাই ২৪ ফাওবা শাংদোকহনখি।

হোস্পিটাল অহুম্না হান্নগী মিনিষ্টর জেনবু সর্জরি চখনবা রিকমেন্দ তৌখি হায়বা সিংহবিগী সবমিসনগী পাউখুম ওইনা এদিস্নেল সোলিসিটর জেনরেল এসবি রাজুনা কোর্টতা এইমসকী ডাক্তরশিংগী পেনেল অমবু ইন্দিপেন্দেন্ট ইভালুএসন চখৎহনবীনবা হায়জখি। হিয়ারিং মতেক অমা চখরবা মতুংদা কোর্টনা মেটর অদু জুলাই ২৪ দা মখা তাবা কনশিদরেসনগীদমক্তা মতম লেপখি অমসুং সিংহবিদা জেনগী মেদিকেল রিপোর্টশিং এ এস জি রাজুদা সবমিট তৌননবা খঙহনখি।

দিল্লি গভর্ণমেন্টগী হান্নগী কেবিনেট মিনিষ্টর সিংহবিবু মহাক্কী অপাম্বা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা মেদিকেল ট্রিটমেন্ট তৌবা য়ানবগীদমক্তা সুপ্রিম কোর্টনা মে ২৬ তা মঙোন্দা চয়োল তরুক্কী ইন্টরিম বেল পীখিবনি।

হান্নগী মিনিষ্টর জেনগী হকচাংগী ফিভম কা হেন্না ফত্তে অমসুং মহাক্কী অরুম্বা কেজি ৩০ হেন্না হন্থরে হায়না মহাক্কী কাউন্সেলনা টোপ কোর্ট অসিদা খঙহনখিবনি। চহী অসিগী এপ্রিলদা সেন্ট্রেল এজেন্সি অসিনা প্রোব তৌরিবা মনি লোন্দরিং কেস অমদা জেন অমসুং মহাক্কী এইদ অনীনা থাখিবা বেল প্লিশিং দিল্লি হায়কোর্টনা দিসমিস তৌখিবনি।

# দটচ পিএম মাক রুটে পোলিটিক্সতগী পোথারগনি

**হেগ, জুলাই ১০ (এজেন্সী):**

মতম খ্বাইদগী শাংনা ওফিস পায়রকখিবা দটচ প্রাইম মিনিষ্টর মাক রুটেনা মহাক পোলিটিক্সতগী পোথারগনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

মহাক্কী লৈঙাক তুখিবা মতুং নুমিৎ নীনি কান্নরগা মহাক্না ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি। হেগতা মহাক্কী মরিশুবা গভর্ণমেন্ট তুখিবগী মতাংদা পাঙথোকপা দিবেট অমগী মাঙওইননা পীবা অতেনবা ষ্টেটমেন্ট অমদা রুটেনা হায়খি, মদুদি চহী অসিগী অথেংবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মথংগী ইলেক্সনদা মহাক মশাগী পার্টি ওইরিবা পিপলস পার্টি ফোর ফ্রিদম এন্দ দেমোক্রেসি (বি বি দি) গী লিদর ওইররোই। কোল্লিসন পার্টি মরিগী মরক্তা ইম্মিগ্রেসন পোলিসি অমগী মতাংদা য়ানবা অমা পুরকপা ঙমদবদগী হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা মশাগী চহী ৫৬ শুরবা রুটেনা মহাক্কী গভর্ণমেন্ট রিজাইন তৌরে হায়না লাউথোকখিবনি।

প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা রুটেনা হায়খি, মদুদি মাইগ্রেসন পোলিসিগী মতাংদা কোল্লিসন পার্টনরশিং অমগা অমগা মত মান্নদে হায়বসি অরোনবা ৱাফম নত্তে। লাইবক থীবদি ঙসি অদুগুম্বা খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং অদু তাইশিন্নবা য়াররোই হায়বসি ঙসিমক লেপ্পা তাখি।

ৱারেপ অসি ঐখোয় খুদিংমক্কী ওইনা অরুবা অমনি। ইম্মিগ্রেসন পোলিসিগী মতাংদা য়ানবা অমা লাকহনবা ঙমখিদবসি নুংনাংনিংঙাইনি হায়খি। পার্টি মরিমক্না মাইগ্রেসন ইস্যুশিংগী মতাংদা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়না থাজরবসু মদুগী এপ্রোচ অদু কয়াম্না ষ্ট্রিক্ট ওইগদগে হায়বগী মতাংদা মখোয়গী মরক্তা তোঙান তোঙানবা মীৎয়েংশিং লৈরিবনি।

# চাইনাগী কিন্দরগার্টেন স্কুলদা থাঙনা থীনবগী থৌদোক্তা মীওই তরুক শিরে, এক্যুজ ফারে

**বৈজিং, জুলাই ১০ (এজেন্সী):**



চাইনাগী গ্বাংদোং প্রোভিন্সতা লৈবা কিন্দরগার্টেন স্কুল অমদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা থোকখিবা মীওই কয়াদা থাঙনা থিনখিবগী থৌদোক্তা অঙাং অহুম, পেরেন্টস অনী অমসুং ওজা অমা শিখ্রে অমদি থাঙগী এটেক অদুদা চেন্নরিবা এক্যুজ অদু ফারে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা বি বি সিদা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদু লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৭.৪০ রোম তাবদা থোকখিবনি অমসুং মশাগী চহী ২৫ শুরবা এটেক্কর অদু লিয়াঞ্জিয়ান টাউনদা ফাখি। পুলিসনা ভিক্তিমশিং অদু আইদেন্টিফাই তৌবা ঙমদ্রিবা ওইরবসু মখোয়না থৌদোক অদু অতন্নবা চখৎবা এসোল্টকী কেস অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

কিন্দরগার্টেন অদুগা নক্লনা থবক তৌরিবা ষ্টোরওনর অমনা এরিয়া অদু সিল্ড তৌশিল্লে। বি বি সিগী রিপোর্টনা হায়রিবদি চাইনাদা স্কুল কয়াদা থোকখিবা থাঙগী এটেকশিং য়াওনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা থাঙ শীজিন্নদুনা এটেক তৌবগী থৌদোকশিং তোইরকখিবগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিৎকী থৌদোক অদু থোরক্লিবনি। কুমজা ২০২২ গী ওগষ্টতা থাঙ পায়বা এসেলেন্ট অমনা জিয়াংসি প্রোভিন্সকী কিন্দরগার্টেন অমদা চঙশিন্দুনা চখৎখিবা এটেক্তা মীওই অহুম শিখি অমসুং অতৈ তরুক্না অশোক অপন নঙখি।

# লান্মীগী লালহৌ মতুংদা পুটিনগা ৱেগ্নর লিদরগা উন্নখি

**মোস্কো, জুলাই ১০ (এজেন্সী):**

ৱেগ্নরগী লিদর য়িবগেনি প্রিগোজিন অমসুং মহাক্কী প্রাইভেট আর্মিনা মায় পাকখিদ্রবা লালহৌ অমা চখৎখিবা মতুং শুপ্নগী নুমিৎ খরনিগী মনুংদা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা মর্সিনরি চীফ অসিগা উন্নখি হায়না ক্রেমলিনগী স্পোক্সমেননা ফোঙদোরক্লি।

স্পোক্সমেন দমিট্রি পেস্কোবনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা পুং ৩ চুপ্পা উন্নখিবদু হৌখিবা জুন ২৯ দনি অমসুং মদুদা প্রিগোজিন্না হৌদোকখিবা মিলিটরি কম্পেনি অদুগী কম্মান্দরশিংসু শরুক য়াখি। পনবা য়াবদি, ৱেগ্নরগী মর্সিনরিশিংনা য়ুক্রেনদা রসিয়ন ট্রুপশিংগা লোয়ননা লাম্হেংনখিবনি।

# নোর্থ কোরিয়ানা য়ুএসকী স্পাই প্লেনশিং কাপথগনি হায়না কিহনখ্রে

**সিওল, জুলাই ১০ (এজেন্সী):**

নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী এয়র স্পেস ভাইওলেট তৌবা য়ুএসকী স্পাই প্লেনশিং কাপথগনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা কিহনখ্রে অমদি কোরিয়ন পেনিন্সুলা মনাক্তা ন্যুক্লিয়র মিসাইল সবমেরিন অমা দিপ্লোই তৌনবগী ৱাশিংতনগী থৌরাং কন্দেম তৌখ্রে।

নোর্থকী মিনিষ্ট্রি ওফ নেসনেল দিফেন্সকী স্পোক্স পার্সন অমনা হায়খি, মদুদি থা অসিদা থংন-থংননা নুমিৎ নিপাননি হেন্না য়ুএসকী স্পাই এয়রক্রাফটশিংনা কায়হৌবগী ফ্লাইট কয়া পায়দুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা এস্পিয়েনাজকী এক্তিভিটিশিং লানগী মতমগী থাক্তগী ফাওবা হেন্না কনশিল্লকখি। স্পাই এয়রক্রাফটশিংগী কায়হৌবগী ফ্লাইটশিং অদুদা নত্তনা রি কোনিসন্স প্লেন অমসু ইষ্ট সীদা লৈরিবা নোর্থকী এয়র স্পেসতা কয়ারক হন্না চঙশিল্লকখি।

স্পোক্স পার্সন অদুগী ৱারোল পল্লদুনা ওফিসল কোরিয়ন সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সিনা হায়রিবদি কোরিয়াগী ইষ্ট সীদা য়ুএস এয়র ফোর্সকী ষ্ট্রেটেজিক রি কোনিসন্স প্লেন কাপথবগুম্বা থৌদোকশিং থোক্লোই হায়বগী গরেন্টি লৈতে।

স্পোক্স পার্সন অদুনা মমাঙদা পিওংয়াংনা য়ুএস এয়রক্রাফট কাপথখিবগী থৌদোকশিং পনবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ৱার্নিং পীরদুনা এয়র এস্পিয়েনাজগী থৌদোকশিংগা মরী লৈননা পামদবা থৌদোক কয়া মায়োক্লরক্কনি হায়খি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা য়ুএসনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা ষ্ট্রেটেজিক ন্যুক্লিয়র এসেটশিং দিপ্লোই তৌননবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংবুসু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি।


## চহীগী দশা য়েংজরি



মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্নবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্নবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-শু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্নবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু।

Contact : **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-P/8137/3/5-27/7



**খোঙ তোয়না হান্বা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা অমদি মচিৎ-মচিৎ হান্বা, খোঙ হান্বদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, খোঙ হান্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই চানা মরূমুক চাওবা অমা পোমথোকপা, খোঙ হান্বগী শংবদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তাংমুক শাংনা ইন্থরকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ তোয়না হান্বা অমাংথোঙদা নুংশিৎসু য়াম্না তোয়না চৎপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক য়াম্না কাবা, খোঙ অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হান্বা, লম চৎকনি খনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, খোঙ তোয়না হান্বা অদুনা মরম ওইদুনা খোঙ হান্বদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, মনাং য়াওরকপনা হকচাংদা চোকথবা, খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাবা অদু হীদাক চারবসু খকউ য়াদবা, ঈ লেপ্তুনা তাবনা মরম ওইদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, হকচাং অসি শোন্থরকপা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই চানা মরূমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোরক্লগা থাগৎপা, অমাংথোঙসু লুম-লুম লাউরগা লৈবা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙদা চিক্লি-চিক্লি তৌরকপা, অদুগা অমুক ফখিবা, খোঙ হান্বগী শংবদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তাংমুক শাংনা ইন্থরকপা, খোঙ হান্বা লোইরগা মশানা অমুক হনগৎখিবা, শা-ঙা থাউ মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা অমাংথোঙদা য়াম্না নুংঙাইতবা, ফন্বী শোনবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।


লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **L. Rameshori Devi**
Hiyangthang

HL-B/8196/11



**ADMISSION OPEN**
**NURSING & PARAMEDICAL**
Under the Government of Manipur



100% Job Guaranty
* Smart Internship facilities to several diagnostic centre and Hospitals.
* Scholarship Facility, Govt. of Manipur
* Low fees, Seat are limited
* IN-House Practical Facilities.

FREE DIPLOMA COURSE ADMISSION FOR THOSE VICTIMIZE HOMELESS STUDENTS ON CURRENT ISSUE OF MANIPUR

10 Passed & Above
1. Diploma in Radiology & Imaging Technology (DRIT) (Ultrasound, MRI, CT - Scan, X-ray)
2. Diploma in Medical Laboratory Technology (DMLT)
3. Diploma in Operation Theatre Technology (DOTT)
4. Diploma in Dialysis
5. Diploma in Sterilization
6. Diploma in Electrocardiogram (ECG)
7. Diploma in Ultrasonography
8. Diploma in Opthamic
9. Diploma in Dental Assistant
10. Diploma in Anaesthesia

12 Passed (Arts/Science) & Above
1. General Nursing & Midwifery (GNM)
2. B. Sc. in Radiology and Imaging Technology
3. B. Sc. in Medical Laboratory Technology
4. B. Sc. in Operation Theatre Technology
5. D. Pharm/B. Pharm/M. Pharm/Ph.D (OM)
6. Doctor of Acupuncture/Alternative Medicine
7. Diploma/B. Sc. Physiotherapy (OM)
8. Diploma/B. Sc. Optometry
9. B. Sc. Echo Cardiac

SAINA INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCE (SIMS)
Porompat Crossing Opt. SBI, Imphal East, Manipur
# 03852443946 / 7005572416 / 9856617378 / 6033908318 / 7005687097
Website : www.simsmanipur.com

HL-P/4436/13/6-11/7 (alt)



**HUMAN RESOURCE CONSULTANCY**
Keishampat Opp. Tiddim Oil Pump
Estd. 2006

STUDY MBBS IN INDIA
• BANGLORE
• DELHI NCR
• UTTAR PRADESH
• RAJASTHAN
• CHENNAI
• WB, PUNE

Get ADMISSION at low budget just NEET eligible mark at top colleges

Study MBBS at abroad
Bangladesh
Kyrgyzstan
Kazakhstan
Uzbekistan, China

PG, MD, MS, MDS
BDS : low budget
BAMS, BHMS

Engineering, BBA, BCA
CA (Chartered Accountant)
Paramedical, Hospitality
B. Pharm, B.Com, Bio-Tech
B-LLB, BA, B.SC, Agri,
B.V.Sc.A.H. (Veterinary)
BNYS ( Yoga), Nursing.

Contact Nos.
8794758218 | 7085612861

HL-P/4435/11/6-10/7



**CAS Coaching Centre**
CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal

Admission Open (New Batches)
FOUNDATION COURSES

Hurry!!! Seats are Limited First Come First Served

CLASS XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS XI (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS X (English, Maths, Science & Social Science)

Special features:
• Experienced and Expert Faculties.
• Special Concession for Meritorious, Govt. School, Single Parent, Ethnic Victim, Differently abled Students.
• Counselling & Extra Classes for Slow Learners
• Supply Chapterwise Study Materials.
• Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
• Weekly and Monthly Test Series.
• 30 Students for each Batch.
• Vision for Toppers in 2024.

Hostel for BOYS & GIRLS Available

Classes Commencing from 6th July, 2023
# Morning:(4.30- 7.00) A.M. # Evening:(3.30- 6.30) P.M.

For Details Contact:- CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal(Mayai Lambi Machin)
# 6033817130

HL-P/6960/30-6 to 29-7